[illegible]

ওঁ দুর্গায়ৈ নমঃ

দুর্গা পূজা



(ব)
Q2:414
2Q2;1

শ্রীহুইদ্রোম ভরত (ভুবন) সিংহ

MANIPUR

"ওঁ দুর্গায়ৈ নমঃ"

দুর্গা পূজা



অইবা : হুইদ্রোম ভরত (ভূবন) সিংহ

Durga Devi

Authored by **Huidrom Bhorot (Bhubon) Singh**
Chingamathak Nameirakpam Leikai


দুর্গা দেবী

অইবা : হুইদ্রোম ভরত (ভূবন) সিংহ
চীংঙামথক নামৈরাকপম লৈকাই

অহানবা ফোংবা : মার্চ ২০১২ ইং

কোপী মশিং : ৫০০

মমল লুপা : ১০০ (চামা)



কোভব : অইবা

অফোংবা : হুইদ্রোম ওংবী রেনুবালা দেবী চিংঙামথক
নামৈবাকপম লৈকাই

২০ংফম থোকপা পূম্নমক অইবগীনি।

নম্ফাম : আর: কে: পি: আই, নোংমৈবুং, ইম্ফাল ইষ্ট।

য়াওফম তাকপা

***



শিব সতী

ৱাহৌদোক

অইবগী ৱারোল

সংকীর্ত্তন অমা শকপা মতমদা গৌরিয়া ধর্ম্ম চৎলিবা ঐখোইনা শ্রীগৌবাঙ্গ মহাপ্রভূবু হান্না শৈথাবা অসি ওঝাশিংগী মত মতুং ইন্না থাইনদগী চৎনরকলি সাধক ওইবা মবম্না। ইবুংঙো মহাক্তি ভক্তি প্রেমগী তুংনফমনি লাইনিং লাইশোনগী লমজিং মৈরানি। বেদ শাস্ত্র স্মৃতি পুরান্নচিংবা ধর্ম্মগী লাইরিক পুম্বা অমত্তা চিথদনা খঙবা মহাপুরুষনি। বৈষ্ণব সমপ্রদায়না ইবুংঙো মহাকপু কলিগী ঈশ্বরনি, কৃষ্ণগী অবতারনি হায়না নৃসিংহ, পুরান পদ্ম পুরান কয়ানা লাওরি। অঙাং ওইরিঙৈদা শ্রীগৌরবু নিমাই পাণ্ডিত হায়না ফাওখিবনি।

ইজরিবা লাইরিকসে শৈরেংগী মওংদা, ঈশৈ শুব পানবা শকপদা খুদোং চানবা ইজবনি। দুর্গা দেবীবু শৈথাবা, হিংচাবশিংবু দমন তৌবা হাৎপগী ৱারিনি। লাকঙম ফাঙমদ্রবা মায়াবীর মহিষাশুরনা ইন্দ্রদেববু মাইথিবা পীদুনা ইন্দ্রগী রাজ্য অমরাবতীপুরবু খুদুম চন্দুনা লৌখিবনি।

জগৎ শেম্বা হৌরকপদা পরংব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণনা দুর্গা দেবীবু বুদ্ধিদগী পুথোকখিবনি। গুণ পুম্নমক্না লৈতেংবী মহা শক্তি ওইবী ইবেম্মনি। দুর্গা দেবীবু প্রকৃতিনি হায়না ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরান্দা ইরি। মরম অসিনা প্রকৃতিগী শক্তিদি অঙকপগী মশকনি, পৃথি নিকলি, ঈশিং ইচাও থোকহল্লি, মৈহৌ লাংপোক্লচিংবা অঙকপা ফংনা মাং তাকহনবগী মশকনি। অদুম্নদি ওইরগা জীববুসু য়োকপী থাকপিবসু প্রকৃতি দেবীনি, মহাক্কী মতম্বাক্তা চাওজবনি জীবশিংনা। মাগী ফজবা দৃশনা পুক্নিং হুরি মীপুম খুদিং ঙাওহল্লি। ইমানা ঙমদবা করি অমুক লৈরি। প্রকৃতি শক্তম ওইবী দেবী মঙানি মথংশিংনা

দুর্গা, লক্ষ্মী, সবস্বতী সাবিত্রি অমসুং পবং প্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং ওইথংবা তঙ্খাযনা ওইবী বাধানি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা লাইযামগী অপুনবা শক্তিনা চণ্ডী কৌবী ইবেম্মবু পুথোক্নুনা মাযাবীব মশক ওইবা মহিষাসুবনচিংবা হিংচাবশিংবু মক ফংনা মাঙহলখিবনি। চণ্ডী দেবী অসি অতৈ নত্তে মাহা মাযা দুর্গা দেবীনি। ইমাগী মমিংদি ওখোক্লসু যামখেবে। কত্যাযণী, নাবাযনী, ভাবানী, যোগ মাযা, বৈষ্ণবী, ভদ্রকালিমা, (ভৈবিবী) ভূবনেশ্ববী অসির্নাচংবা অদুগা চীং নিংথৌগী মমোমনি হাযদুনা পাবর্বতী কৌই।

অদুগা অতোপ্পা বাহং অমনা নুপী (দেবীনবু) অমুক কল্লিবা, শক্তি পুম্নমক্লা তিল্লিবসে কবিগীনো ? অসুম্না পাওদমজগে মদুদি নুপা নুপী অনি অসি আত্মা অমত্তনি। তৌইগুম্বসুং নুপানা নুপীদগীদি কনবা হোল্ল হাযবসে যান্নববা ব্রাফর্মনি। তৌইগুম্বসুং পবং ব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণনা মক ওইনা ফত্তবশিংবু দমন তৌনবা হাৎনবা গুণ পুম্নমক শক্তি হার্পাচন্দুনা দুর্গা দেবীবু শেম্বনি। দুর্গা দেবী প্রকৃতিনি মবম অদুনা দুর্গা দেবীনা ঙমদবা কবি অমত্তা লৈতে। প্রকৃতি পুরুষ অনি তিন্নবগা জগৎ শেম্বনি। প্রকৃতিবু বাধানি হাযনসু মুনিশিংনা বর্নন তৌবিবনি।

ব্রহ্মনা মীওইববু অমসুং জীবশিংবু শন্দোকপগী মতাংদা মাহা মাযা দুর্গাদা চংজদুনা শকলোন কযা লৌদুনা শন্দোকখিবনি। শেম্বীবা, যোকপিবা, মাঙহনবা ঙম্বগী শক্তি ইমাদা পীবিবনি। মবম অদুনা বাবণ বধ তৌবগী মতাংদা শ্রীবামচন্দ্রনা দুর্গাদা চংজদুনা পুজা কচ্চদুনা লংকেশ্বব বাবন বধ তৌখিবা কৃষ্ণমক্লসু চংজবিবা ইমানি। তৌইগুম্বসুং ভগবান কপিল দেবনা অসুম্না তাকপিবমই মদুদি শ্রীকৃষ্ণ যাওদ্রবদি দুর্গানা অহেনবা শক্তি শিজিন্নবা ঙমদে। দুর্গাসে শ্রীকৃষ্ণগী মমিগুম্বনি। অদুম ওইনমক দুর্গাগী শাক্তিদি অদুম্মক লৈজবনি।

ইমানা মহিষাসুরবু বধ তৌবসে মেরা চাওরেল হৌবা মতম অদুব্রাইদগী হিংচাবগা ইবেম্মগা অকন লাল যুদ্ধ তৌখিবগী ব্রারী ময়েক লানা ইরি শ্রীশ্রীরুদ্রচণ্ডী পুজা বিধিঃদা চহী খুদিংগী মেরা থাগী শ্রীদুর্গা ষষ্ঠী অসিদা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা কাংবুনা য়ুমথোং খুদিংদা ইবেম্মবু পুজা তৌরিবনি ঙমজ ঙমজবা হৈ, লৈ অথুম অহাও কচ্চদুনা। অসুম্না হায়নবা লৈ সত্য যুগতা দুর্গা দেবীগী মমাংগী লাংওন্দা সতী দেবী কৌদুনা দক্ষগী মমোম ওইনা পোক্লুনা ভগবান শিবগী লোইনবী ওইখি। দক্ষগী যজ্ঞদা মপানা মচাবু সম্মান তৌরমদে অদুগা মবুংঙো শিববুসু থিনা থিনা চৈ থাংবা অদুদা সতী দেবীনা খাঙবা ঙমদদুনা যোগ শিক্তিনা থব্রাই থাখি। ভুত, বর্ত্তমান, ভবিষ্য (হৌখ্রবা, ওইরিবা, লাক্কদবা) থৌদোক খঙবা ভগবান শিবনা মনাই লোইনবী সতীগী ব্রাখলদা ঙমখৈ লৈতনা ব্রাবনা পন্দোম লোমখি অদুগা ইবুংঙো মশামকপু দক্ষ প্রজাপতীনা য়াম্না থিনা থিনা চৈখিবা অদুদা খাঙবা ঙমদ্রবদুনা দক্ষগী নাপল থুদেক্কে, ব্রারক্কে, হায়না ভগবান শিবগী জটাগী শম্লাং অমা থৎপদা য়াম্না ব্রাং চাওবা অতিয়া পুক্লা ব্রাংবা রুদ্র বীরভদ্রবু পুথোকখি, অদুগা তাকপিখি দক্ষবু হাত্তুনা যজ্ঞ থুগাইয়ু। মহাদেবগী য়াথং ফংবদা যজ্ঞ মফমদা লাক্লুনা ভৃগু মুনিগী মকোই খোইদৎখি, অদুগা দক্ষগী মঙকশম অদু থাংনা বলিগী হামেং ককপগুম কক্লুনা দক্ষগী অককপা মঙক অদু মৈনুংদা লংশিনখি। লাইয়াম পুম্নমক কায়দুনা চেন্নদুনা বিধি ব্রহ্মাদা হঙ্গৎলুই ব্রারম পুম্নমক। ব্রহ্মানা তাকপিখি দক্ষ প্রজাপতিনা মাগী পাপনা শিবদা লংজরুরে। মবম অদুনা ঐখোয় ময়াম চত্তুনা থৌজাল হৈবা ভগবান শিবদা চংজসি। মহাক্তি থম্মোই পেৎপা ঙাকপিহৈবা গুন্না লৈতেংবা ভগবান্নি। লাইয়াম পুম্নমক কৈলাস য়ৌরে। ইবুংঙো মহাক্তি যোগাশন্দা ফমদুনা শ্রীকৃষ্ণবু অবাধানা তৌরম্মী। ব্রহ্মানা শিব সহস্রনাম স্তোত্রম্ থীদুনা শিবগী অশাওবা অদু ফাথখি।

শিবনা হায় :- ফবে লাইযাম পুন্নমক যজ্ঞ মফমদা চত্তুনা ভগবান বিষ্ণুবু যজ্ঞগী হোম কৎলুসি হায়না যজ্ঞ অমুক হৌগত্তুনা যাম্না শান্তি ওইনা যজ্ঞগী নিযম নীতি কাযদনা বেদ মন্ত্রশাদুনা যজ্ঞ মপুং ফানা কচ্চাখ। ভগাবাননা বিষ্ণু খুৎ নিপান পানবা বৈকুন্ঠনাথনা যজ্ঞদা লেংঙক্তুনা শিবদা তাকাপাখ ! হে শিবা নংনা হায়মেং মকোক অমা হাপ্তুনা দক্ষবু হিংগৎহল্লু। তাকাপবা অদুমক শিবনা দক্ষগী মকোক অদুদা হামেং মকোক পানাদুনা [illegible] যেংবিবদা দক্ষ [illegible] দক্ষনা [illegible] [illegible] ভগবান শিবনা দক্ষবু হৌজাল [illegible], [illegible]। [illegible] নেবনা মতুংদা দুর্গা দেবীনা [illegible] নিংথৌনা [illegible] ওইনা [illegible] গর্ভদা পোক্তুনা পার্ব্বতী কৌদুনা লাক্তনখি।

রাসম অমা পক্কববদা লাইযিক অসি কম্পুটর [illegible] নম্বদা শ্রীযাম্বেম বোবেন সিংহ অমদি আর: কে: পি. আই: প্রীন্টিং প্রেসনা চাউনা মতেং পাংবীবগীদমক নুঙাইবা ফোংদোকচবি ।।



ওঁ গনেশায় নম:

ওঁ পরং ব্রহ্ম পরমাত্মানে নম:

ওঁ নরায়নং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমম্

দেবীং সরস্বতীঞ্চৈব ব্যাসং ততো জয়মুদীরয়েৎ ।।

দুর্গা ধ্যানম

ওঁ ধ্যায়েদ দেবীং ভবানীং

গিরীশ সুখকরীং শৈলজাং

চন্দনাক্তাং নানা পুষ্পোজ্জলাঙ্গীং

কনকচয়তনুং ভূষিতাং ভূষনৈশ্চ
ধ্যান হারাদধনাং রণগগনযুক্তাং
শুম্ভ নিশুম্ভ হন্তীং
কল্পশেষাং মৃড়ানীং হিমবতী
লিলয়া সিংহ ব্যাঘ্র আসনঞ্চ
মূলমন্ত্র! ওঁ দুর্গায়ৈ নম: মীজমন্ত্র = হ্রীং
গায়ত্রী:- ওঁ কাত্যায়ন্যৈ বিদমহে কন্যাকুমায়ৈ ধীমহি।
তন্নো দুর্গা প্রচোদয়াৎ ।।

পাঙজদ্রবা শ্রীহুইদ্রোম ভরত সিংহনা মতিক মগুণ চাওরবী ইমা ভগবতী দেবী দুর্গাগী মতাংদা শৈরেং খরা ব্রাহে মচল চাদনা রস খরদং ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত পুরাণ অমদি লাইরিক মচা মচা খরদগী খোমজিঞ্জদুনা ইজবনি। রস তান মাত্র ছন্দ কায়খিবা, হাইরোইদবনা হায়খিবা হায়হৌদবনা হায়খিবা মথং মনাও কায়বা শোয়খিবা পুম্নমক পাবিরিবা ভক্ত বৈষ্ণবশিংনা ঙাকপিগনি। ঙক্তা ফি য়েৎতুনা দন্দবৎ প্রনাম তৌজরি।

হৈয়িংখোইনা লৈরাং লৈকাদগী খর খব চুপচদুনা অমৃত খোইহি পৈশিনবগুম হৈত হৈত খর ইজবনি। খোইবা গুন্দোক্লগা খোইহীগী রসতমক আস্বাদন তৌবিয়ু।

দুর্গা ইমাগী মগুন্না চাওখিবনা খরদং ইজবা অসিনা পেনবিয়ু হায়না কোটি প্রার্থনা তৌজরি।

শ্রীহুইদ্রোম ভরতসিংহ (ভূবন) সিংহ
গ্রন্থকার - শৈরেংবা
মার্চ ২০১২



শ্রীগৌরাঙ্গ

সংকীৰ্ত্তন হৌবা

ওঁ গনেশায় নমঃ

[illegible] পরংব্রহ্ম পরমাত্মানে নমঃ
[illegible] নারায়নং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরো[illegible]
[illegible] দেবীং সরস্বতী [illegible] ততো জয়মুদীরয়েৎ ।।

[illegible] মঙ্গলগী [illegible] খুবম [illegible]
[illegible] বেদ ব্যাস [illegible]

নিত্যাই গৌর বন্দনা

আজানু লম্বিত ভূজৌ কনক বদাতৌ
সংকীর্ত্তনৈক পিতরৌ কমলাযতাক্ষৌ
বিশ্বম্ভরৌ দ্বিজবরৌ যুগ ধর্ম্ম পালৌ
বন্দে জগৎ প্রিযকরৌ করুনা বতারৌ ।।

মণিপুরী

খুৎনা খুকউ চোনবা স্নাগী কুচু
মিৎ থম্বালবা সংকীর্ত্তন শন্দোকপা।
বিশ্বজগৎকী যুগ ধর্ম্ম ঙাকপিবা,
থৌজালগী অবতার জগৎ জীববু চানবিবা,
খুকমজৈ ব্রাহ্মণ শাগৈদা পোকপা
বিশ্বম্ভবগী চরন থম্বালদা হন্না হন্না।।

পঞ্চতত্ত্বাত্মকং কৃষ্ণং ভক্তরূপ স্বরূপকং
ভক্তাবতারং ভক্তাখ্যাং নমামি ভক্ত শক্তিকং ।।

মণিপুরী

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মওংদা ভক্তগী মশক ওইবা, নিত্যানন্দগী মওংদা ভক্ত স্বরূপ, শ্রীঅদ্বৈতগী মওংদা ভক্তাবতার [illegible] মওংদা [illegible] [illegible] [illegible]গী মওংদা ভক্ত শক্তিক ওই। [illegible]

[illegible]গৌরাঙ্গ [illegible]

[illegible]
[illegible] প্রভু।
[illegible] চন্দন ওই[illegible]না [illegible]ঙ্গর্জাব,
লেংশিনবিবো সংকী[illegible]ন্দা ঙানবিবো।

যেত্তা ওইদা নিত্যাই গৌরগদাধর
মাংদা অদ্বৈত প্রভূ সীতাপতি।
তুংদা শ্রীবাসনা ঙাম্বোইরিবদুনা,
ফিচং ফিথা তৌজে সংকীর্ত্তন্দা।

কৃষ্ণগী রূপ লৌদুনা গৌরহরি
যেনবিবি হরি নাম জীব খুদিংদা
লানবিবি তোল্লবা কলি জীববু
সংকীর্ত্তন শন্দোক্‌নুনা মঙাসিনা (পঞ্চতত্ত্বনা)

ব্যাখা

শ্রীগৌরঙ্গ প্রভূনা নিংশিংলকলে ব্যাস দেবনা ইত্রবা ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত পুরান্দা পরং ব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণনা জগৎপু শেম্নীবা নুমিৎ থা, থৌরানমিচাক গ্রহশিং পৃথিবী যাওনা পুথোক্‌নুনা বিষ্ণু অহুমগী শক লৌদুনা ফোংদোক্‌নুনা

প্রকৃতিবু শেম্বীদুনা সংসাবগী জীবশিংবু শেম্বীবি। অমুকসু প্রকৃতিনা শ্রীকৃষ্ণদা তিনশিন্দুনা লৈখি প্রকৃতি পুরুষ অনিনা জগৎ সংসাব শেমলিবনি থান- নবা লৈতনা।

গৌরাঙ্গগী ঈশৈ অনীশুবা

শ্রীগৌবাঙ্গ প্রভুনা শকচবি,
ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত পুবানগী শৈবেং।
কৃষ্ণগী ওইদগী পুথোকখিবা
প্রকৃতি বাধাবু ততুনা কৌবি।

হা কৃষ্ণ জগৎকী ইহান হানবা
নংতনা ওইখি বিষ্ণু অহুম্নু।
পুথোকখি ব্রহ্মা শঙ্কব অনন্ত
মৈ ঈশিং নুংশিৎ নম্মিং থা খৌগান (মিচক)
সংসাবগী মচাক (কাবন) লোইনা শেমখিবা
অচুকপা খুড়ুমদ্র জ্ঞানগী শক্তিনা।

প্রকৃতি পুন্দষনা তিন্নদুনা,
শেমখি জীবগা হকচাং পঞ্চ ভূত।
জীবগী হকচাংবু হিংহনবিখি
পবমাত্মানা আত্মা ওইদুনা।

প্রকৃতিনা ঙমদ কবি (অমুক) লৌবি,
কোবৌ মৈশানা ঙালহল্লি জগৎ।
নোং তাবি নুংশিৎ শিৎলি চোইজাইনা
পৃথি নিকলি অকিবা ঈশিং ইচাও
অমুকসু খিকলি এমৃত শিনথুংনা।
পবং ব্রহ্মগী য়াথং ইন্দুনা ॥৩॥

ব্যাখা

প্রকৃতিগী শকলোনমুক ফজবদি লৈতে লৈরোই পুক্লিং হুনবগী মশকনি। কবি কয়ানা ঙাওরিবনি, শৈরেং শৈশক্লা থাবদা লোইদ্রবনি শুমহৎপা শক্তম্মা থল্লবা মাগী শক্তম খুদিংদা পরং ব্রহ্মনা নুংঙাইনা শান্নরি। ঋতু তরুক্লা বসন্ত, কালেন, নোংজু, শরৎ, হেমন্ত নিংথম থানা শকলোন হোংনা হোংনা উৎলিবনি। শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী প্রকৃতি মাইথোংনা জগৎপু শুমহৎলি। দুর্গা, লক্ষ্মী, সবস্বতী, সাবিত্রি অমসুং বাধা প্রকৃতিগী শকলোন ঙাক্লি।

প্রকৃতিগী ফজবা শক্লোন

হে ইমা নিংথিবী প্রকৃতি দেবী
শকলোন শক্তম য়াম্বী ফজবী ইমা।
দুর্গা, লক্ষ্মী, সরস্বতী সাবিত্রি
অথোইবী রাধা নংগী শকলোন্নি।

মপুগী খুৎশেম্বু নিংথিহল্লিবা,
চুমথাং খাল্লিবা মচু তরেৎনা।
উরোক পরেং শংবান্ন অতিয়াদা,
নোংথাং জগোইনা পুক্লিং হুরিবা।

ৱাংল চিংজাওদগী ঈশিং চাইবী
গঙ্গাগী ঈচেল শিবগী জটাদা। (তাখিবা)
ইচিক হুল্ল অহিং থাবল ইপোম
নোংইন্না থকচৈ পেঞ্জে হরাওজে।
তাম্নাসু খোংলি তাম্না তাম্না তাম

উনা পুংবা উপান্দা কোকিলনা
খোংলি নুংশিবা শুরনা খোম্বাং মঙা

পোম্বী চেক্লনা য়াওল্লি মহুমদা
নিংঙাইদ তুমলি কাওথোকলি পুম্বা ।।

প্রকৃতি কৌবী ইমা নংগী নগুনবু
করম শৈথাগনি থাবনা ব্রাৎলিবা।
ঙাওহল্লি ভগবান শ্রীকৃষ্ণবুসু
নংগী শকলোন শক্তম উবদা থোইনা।
মেরাগী পুর্ণিমা থাবল ইপোমদা,
শান্নখি কৃষ্ণনা গোপীশিং লোইনগা।
পুক্লিং হুব বাঁশিগী তাংথক নাইদ্র শুব
কৌজখি রাধাবু শান্নসি প্রেমগী বাস

গোপীশিংগী ব্রাংল নুংশিবা শুরনা
শকচরি রাগ কায়দ কৃষ্ণগী গুনবু।
সখীশিংনা থৌবান মিচাক্কুম কোইদুনা
রাধা কৃষ্ণনা ময়াইদা থাগুম ঙাল্লি।

শ্রীশ্রীদুর্গা পুজা "ওঁ দুগায়ৈ নম:"

ওঁ পরং ব্রহ্ম পরমাত্মানে নম:

পরং ব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণনা বুদ্ধিদগী নুপী (দেবী) অমা পুথোকখি। মমিংনা দুর্গা কোই। ইবেম্মা মহাক্তি মহা মায়ানি। মৈনুংদা মগী চেল্লবা স্নাগী মচুগুম্বা মঙান্না মাইকৈ পুম্বা ঙানবা, পুম্নমক্কী অপোকপী মমা দেবীনি। প্রকৃতিগী মরু ওইবী ঈশ্বরীনি। ফজবদা মপা লৈত্রবী অঙকপা শক্তমসু ওইবীনি। থম্বালনা তাংজবা মিৎস্না অহুমনি। লাইবক্তা লোৎলি মিৎস্না অমদি, প্রলয়গী মতমদা শীজিন্নবনি। ইমাগী মশাদা গুণ পুম্নমক

সত্ব রজ তমনা লৈতেংবনি। অঙকপা বুদ্ধি জ্ঞান অইংবা অশাওবা লোইনা লৈ। চানবিহৈবা ঙাকপিহৈব অমসুং স্বাহা স্বধানচিংবী দেবী পুম্নমক্কী মবেম্মনি। শ্রীনরায়নমক্কী শক্তি (পাঙ্গল) পুম্নমক হাপ্পি হায়দুনা নারায়নী মিংথোন ফংলিবিনি। প্রকৃতি ইমানা ওইবী দুগানি। প্রকৃতিগী শক্তিদি অকিবগী মশকনি, পৃথি নিকপনি, অকিবা ফংবা ঈশিং ঈচাও অকনবা নোং নুংশিৎ, অখাক অবাও লানমৈগী মৈচাক অদুগুম্বী প্রকৃতিনা ওইবী দুর্গা ইমানি। ইমাগী হকচাংদি অকনবা শক্তিনি, অকনবা পুম্নমক্তগী হেন্না কনবনি। থোৎলবসু লৈনাগুম্বীনি, কল্লবসু বজ্রদগী হেনবনি, অঙকপা কৃষ্ণগী খুৎশেমনি, চুং ফিরান চাবনি, পাম্বোম তবাদগী লিশিং ফাওবা ইমাগী হকচাংদা থোল্লিদো, ত্রিশূল শক্তি, শারঙ্গ লীকং, থাংশাং, তেন, শঙ্খ চক্র, গদা, পদ্ম, অক্ষমালা, কমণ্ডলু, বজ্র, অঙ্কুশ, পাশ, ভূষণ্ডী দণ্ড, তোমর নাবায়নাস্ত্র, ব্রহ্মাস্ত্র, রৌদ্র, পশুপত পার্জ্জন্য, বহ্নি গান্ধবর্ব বারুনাস্ত্রনচিংবা খুৎলাই ময়ামনি।

হায়রিবা দুর্গা অসি শিব মহাদেবগীদমক শেম্বনি শ্রীকৃষ্ণনা অদুবু মহাদেবনা য়ুম পাল্লু হাযবা য়াদবদগী দুর্গা দেবীবু গোলোক্তা শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্তা থমখিবনি।

ভগবান মহাদেবনা হায ননাইনা য়ুম পাল্লবদি নুপীগী সেবানা পুনখিদুনা ইবুংঙোবু কাওথোকখিনি। চহী কল্প ১০০০ ঐগী ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণবু তপ তৌদুনা থবাই হকচাং কত্তুনা নিংজখিগে।

শঙ্কর ঐনা পামজবদি নব বিধা ভক্তিনি।
স্মরনং কীর্ত্তনং ণামগুনয়ো: শ্রবনং জপ
ত্বচ্ছারুরূপ ধ্যানং ত্বং পাদসেবাভিবন্দনম্

সমর্পনঞ্চা ত্মনশ্চ নিত্যং নৈবেদ্য ভোজনম্
ববং ববেশ দেহীদং নবধা ভক্তি লক্ষনম্ ॥ (ব: বৈ: পুবান)

জগৎপু সংহাব ঙস্বা মহাদেবনি। অদুগা দুর্গাসু মাগী শক্তিদি "দুর্গতি নাশিনী দুর্গা" অৱা অনা খুদোংথিবা পুম্নমক মাঙহল্লি হাযবদগীসু দুর্গা কৌই।



শ্রীবিষ্ণুনা দুর্গা পুথোকপা

17456/Man

দুর্গা দেবীবু পুথোকপা

জগৎকী ফত্তবা পাপী মাঙহন্নবা
শ্রীকৃষ্ণনা পুথোকখি দুর্গা দেবীবু।
পাম্বোম তরাদা থোল্লি শঙ্খ চক্রগদা
ত্রিশূল বজ্র থাংশাং লীরুং তেন্নচিংবা।

মৈনুংদা মহী চেল্ল স্নাগী কুচু
ফজবদা মপা লৈত্রবা ইমানি।
থম্বালনা তাংজবা মিৎ অহুম লৈতেংবী,
অকনবা পুম্বদগী হেন্না কনবীনি।

নারায়নগী শক্তি লৈবনা ইমাগী
মমিং নারায়নী কৌবনি জগৎনা।
সত্ব রজ তম গুন্ অহুম চেল্লিবী
নোংশা শাদোং ওইবী লানগী মবেন্মা ইমা ॥৩

ব্যাখা :

শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীমুখদগী দুর্গা দেবীনা তাজখি অদুদি হর মহাদেব, তিক মগুণ চাওরবা কৃষ্ণগী তঙ্খাইনা ওইবা ইবুংঙোবু মপুরোইবা ওইগনি ায়না তাকপিবদা দুর্গা দেবীনা নুমিৎ খুদিংগী তিন সন্ধ্যাদা হৈ লৈ, হৈখা ;গাক ধুপ দীপনচিংবা নৈবেদ্যনা শিববু পুজা কচ্চখি। অমসুং মহাদেববু দর্শন ফংনবা অকনবা তপ তৌজখি। শ্রীকৃষ্ণনা দুর্গা দেবীদা তাকপীরকই হে প্রকৃতি শক্তম ওইবী নংনা প্রকৃতি সতী কৌদুনা দক্ষ প্রজাপতীগী মমোম ওইনা লাংওল্লু অদুগা ভগবান মহাদেবগী সেবা ফংজৌ। অসুন্না দুর্গানা দক্ষ প্রজাপতিগী মমোম সতী মিংথোন্দুনা অহানবা লাংওনখি। অসিগুম্বা দুর্গা দেবীগী লাংওন মথং মথং ওইরক্কদবা অসি করিসু খণ্ডজদ্রবা

হুইদ্রোম ভরত সিংহনা হৈত হৈত ইজবনি ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত পুরান্দগী লৌথোক্লুনা, রস তান শুর ছন্দ কায়খিবা য়াওরবসু তাবিরিবা ভক্ত বৈষ্ণবশিংনা খোইরাগী শরুক হুন্দোক্লগা খোইহীগী রসতমক আস্বাদন তৌবিয়ু হায়না কোটি পার্থনা তৌজরি।

সতীগী অরোইবা য়াহিপ

বিধিনা তম্লম্বা কনানা কক্কনি,
কুইনা লৈয়ু তম্লমদে প্রকৃতি সতীদো।
মপুরোইবা শিব নিংবা মাগী লমচৎ
ফিদম্লফমনি দেবী লৈমা খুদিংমক্লা ।
(নুমিৎ থানা লৈরিমখৈ লৈহৌগনি)
চৎখরে সতীদো শন্দম্বা খোংনেৎনা
মপাবুং দক্ষগী যজ্ঞ য়াওরুনবা।
অঙকপা থৌদোকনি (মচা) সতীবু কৌরমদে,
থীনা চৈরমলে মহাদেববুসু।
খাঙবা ঙমদে সতী থব্রাই থাগে লেপ্লে,
ফমথখরে যোগাশোন্দা মিৎ উইশিনখরে।
হা শিব নংগী সেবা মতোন লোম্লমদে
মথংগী মপোক্তা সেবা ফংজগেকো।

থম্মোইদা থমদুনা শিবগী মুর্ত্তিদো,
মপান থোকখরে সতীগী প্রান মঙামক।
প্রান, ব্যাণ, অপান, সম্মান, উদান
ইন্দ্রিদা পুবা বায়ুদেবগী শক্তম ॥০॥

মপান থোকখরে।

ব্যাখা :

প্রকৃতি সতীনা থৱাই থাগ্রবা তুংদা, চহী কল্প কয়া হৌখবে। অদুবু মবুংঙো শিবদি যোগী ওইদুনা শ্রীহৰিদা লাইনিং পরৈ চেত্তুনা ধ্যান্দা লুপখি। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং মতুং ইন্না ইবেন্মা দুর্গানা চীং নিংথৌগী ঔবোসতগী মেনেকাগী মমোম ওইনা লাংওনখি পাবর্বতী মিংথোন্দুনা। ফজৈদা ইবেন্মা গুণ পুম্নমক্লা তুংনকম ওইবী, বিষ্ণুগী মাযা ওইবী স্নাতনী ওইবী, নাবাযনী, ঈশানি, অমসুং শক্তি পুম্নগী মশক ওইবীনি, পবমাত্মা কৃষ্ণগী বুদ্ধিগী অধিষ্ঠাতৃ দেবীনি। মপুং ফাববা মঙালগী মশক ওইবী অমসুং গুণ অহুমগী মশক ওইবীনি। কুচুদি মৈনুংদা মহি চেল্লবা সূর্য্যগী মচু মানবী মঙাল ওইবী নুমিৎ কোটি অমগী মঙাল ওইবীনি। নোকফেৎ নোকফেৎ তৌবী মাইথোং মকা লামবী, ফনবী, পাম্বোম লিশিং অমা পানবী দেবীনি। শাস্ত্র মযাম লোইনা খঙবীনি, মিৎ থম্বাল অহুম্না লৈতেংবী অথোইবা ফিগে থোনবী, মনি বত্নগী ভূষন্না লৈতেংবীনি।

ইমা দুর্গাগী লাংওন

মহামায়া ইমা, দুর্গানা লাংওনখি
চীং নিংথৌগী মমোম, পাববতী কৌদুনা।
পাঙ্গলদা শক্তিদা, অথোইবী ইমানি,
নারায়নগী লীলা, খুদিংদা য়াওজবী।

নুমিৎ কোটি অমা, ঙমজনা ঙানবিনি,
অঙাংবা ফিজোন্না লেমজনা পাকচবী।
মোমোন মাইথোংনা, থা ঙমজনা ইংজবী,
কাম কোটি ঙমজবী শিবগী চান্নবী।

গুণ অহুম চেল্লিবী শাস্ত্র পুম্বা খঙবী,
হে ইমা বৈষ্ণবী, লাইনিং পরৈ চেৎপী।
ব্রহ্মা বিষ্ণু শিব, লাইয়ামগী শক্তি ওইবী,
খুৎলাই লিশিং থোনবী, ত্রিশূল পায়বী চণ্ডি।

লক্ষ্মীনি নংদি সরস্বতীনি হে ইমা,
প্রকৃতি শকলোন্না নিংথিবী শুমহৎপী।
লৈবাক লৈমগী শক্তম লৌদুনা (নংনা)
য়োকপিরি জীবশিং পিথকলি অমৃত।।০।।

মথোৎ কারকলে পাবর্বতী য়েংবগী পেনবা নাইদবে। কামদেবনা ইকাইবা শকফমনি। বিধিগী লৈপুন্নি শিব পাবর্বতী থদৎনবা য়াদ্রবনি। নোংমা পাবর্বতীগী মঙদা লেংঙকখি শিব মহাদেব অদুগা তার্কাপ মোমোন মোমোন নোক্তুনা - হে চান্নবী মেনেকাগী মমোম নং ঐ যুম্বাল্লনি পরং ব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণগী যাথংগী মতুং ইন্না। হে শিবাং নংগী পুজাদা ঐ পেল্লে হে ফজবী শকহেনবী গুণ পুন্নমক্লা তিনবী নংগা ঐগা থান- নবা যাদনা যুগ যুগ খুদিংদা লৈমিন্নগদবনি। অসুম্না তাকপিরম্লগা অর্ন্তধ্যান ওইখরে ভগবান শিব। মিকপ্ থোকলে পাবর্বতী হীক্র হীক্লা কপচৈ পিদি তত্তনা শিপ্থে মুক্তা পবেং তৎপ তাবগুম। কপমখৈ কপ্লগা লেংখৎলে নোং ঙা দুনা চিংখৈ ফিদুপ হুল্লকলে। নুমিৎকী ঙাংঙ্গাবা মঙাল মশেক উবদা থোইনা হেন্না পুক্লিং হুবি প্রকৃতি দুর্গানা মবুংঙোতবু উরি শংশংনা। অযুক্কী স্নান ক্রিয়া লোইদুনা মবুংঙোদা কৎচখি পুজা নিতি কর্ম্ম ওইনা ওঁ নমো শিবায়: (৩)

পার্ব্বতীগী পূজা

পাবর্বতীগী পূজাদা পেল্লদুনা
শিবনা পিনখি দর্শন মাগী মঙদা।
জটাগী ভাবন্নগী লৈতেং লীল খাওনবা,
নোকমি নোকমি ব্রহ্ম তেজনা পুমঙান ঙান।

তাকপিখি শিবনা হে পাবর্বতী
হবিগী ধ্যান্দা নংবু কাওকুবনি।
হৌজিক্তি বাকুবনু হে চান্নবী
হবিগী কৃপানা নংবু ফংগনি।

মঙ ফাওনবে চীংগী মমোম পাবর্বতী
কৌজে হা শিব কদৌঙৈ উগবা।
নোংখোং ফুইনা চুবগুম কপ্পুনা
শিঙ্খি মিংলু পিবাং লিক্লাং তংকুম ।।৩।।

ব্যাখা :

নোংমা নুমিদাং ব্রাইবম নুমিৎনা চিংযা থাংবা চীংদোন্দা মনি মু..গী মঙাল থেংপা মতমদা পাবর্বতীনা মলুংঙো শিবগী ব্রাখলদা লেংথোক ..না গাঙ্গাগী মপান্দা ফমজখি। তাবমদাইগী নুমিৎকী স্না মচুগী ম..ান্না ইবেম্মগী মইথোংদা যৈবদা স্নাগী মথক্তা তাম্ফানা থিনবগুম ক..দা ফজনা পুক্লিং হাববা অউবা কনাগী পুক্লিং শুমহৎলোই। মুববা শমলাংনা নিংদু যৈবিবা লেংজুম অনি ফল্লপ থাবুম্না কয়া শুমহৎলিবা, লফু লেশ্ম্রানা ইকাইজবা খ্বাংনি, মাইথোং থাজ কোটি মাল, মোমোলতা নোকপদা প্রকৃতিনা যেংজবিবা, কাম্বু শুমহৎপা ইবেম্মগী মিৎস্না থম্বাল, লীশুম লীকংনি নাতোন নাকচিদা হুমাং মবিক মবিক তযানবু ঙমজবা চিনবান

পাবর্বতীনা মবুংঙো মহাদেববু থম্মোইদা চেংনা নিংজদুনা অকনবা তপস্যা তৌজখি। মমিৎ উইশিনখবে। তাঞ্জা অসিদা নারদ লাক্কুনা ইবেন্মদা হঙ্গৎচৈ প্রনাম তৌনা লৈশি লৈথোন্না তাবিয়ু হে জগৎ মাতা ননাই নারদগী ব্রা অসে। ইমা নংসে নহানমুক্কী মপোক্তা দক্ষগী মমোম সতী দেবী অদুনি। মপুবোইবা শিববু নিন্দা তৌই হায়দুনা যোগনা থব্রাই থাখিবনি। হে নাবদ ঐসু নিংশিংই অদুবু কৈদৌরগে ? হাযযু নাবদ ! হৌজিক্তি মহাদেবসু লাই নিংবা লোইবে হে ইমা ! নংবুতা শোন্দুনা লৈহৌই। ব্রাদু তাবদা পাবর্বতীদো, হীক্ক হীক্কা কপ্পা হৌবকলে হা প্রান্ন নাথ ! ননাই পাবর্বতীবু লৌবিববো। অসি হাযবগা ব্রা ঙাংদনা তুমিন্না ফমদুনা যোগাসন্দা তপস্যা তৌবা হৌখবে।

অদুদগী নাবদ চৎখিদুনা ভগবান মহাদেবগী চবন্দা হঙ্গৎচৈ ননাই দুর্গানা চীং নিংথৌগী মমোম ওইনা লাংওল্লে তে শিব নংগীদমক চাদ ? ক্রুনা কপ্পতনা [illegible] ওইবে, [illegible] শোন্দুনা অকনবা তপ তৌদুনা লৈহৌই। হে নব[illegible] দুদ নং, পা[illegible]গা ঐগা লুহো[illegible]নবা থবা শিল্ল। বা ঙন চৎখবে শ্রীবিষ্ণুগী চবন্দা [illegible] পুন্নমক তমলে। বা ঙন কচ্চবে। ব্রহ্মাগী মফমদসু বা ঙন কচ্চবে ইন্দ্রনাচিংবা লাইন্যানদসু হঙহল্লে।

শিব দুর্গাগী লুহোংবা (নাটক)

ঈশৈ

হবি সংকীর্ত্তন বাগ হৌবকলে,

উববসীনা ঈশৈ হন্দুনা।

বম্ভা অপ্সরানা দুহার চৎলি

চিত্রবথ গন্ধর্ব পুং যৈরি।

বিদ্যা ধারীশিংনা পালাদা
ইকোই কোইরি থা মচেৎ শাদুনা।
মিত্তা নাতা মিৎয়েং নায়েং খুদিং
য়েংলিবা পুম্বা ইশুমদা শুমহৎলি।
নুংশিনা শকচবি ঈশৈগী শুর
ইংনা তপ্না তান কায়দা ফজনা।
অৱাংবা খোজেলনা থম্মোই হুন (শকপদা)
কয়াদা পেঙ্গে ব্রহ্মা বিষ্ণুনা। (লাইয়াম্না)

পুংগী পুংখোম্না মীরোলগুম য়ৌরি,
পুংলোন হাপ্তুনা চিত্ররথনা।
জংগাই শাবি বিদ্যাধারীশিংনা
খোংজিনে, খুজিনে তান মেখলা
খুথেক খোংথাং ইনৌতা নৌরিবা।
য়েংবদা পুক্লিং হুবে নিংথিরে।।

ব্যাখা :

ভগবান শিবনা ফজবদি তোপ তোপ্পা শক্তমনি অৱাংপা লৈ : বা শাবান বাশি গুনগী তুংনফমনি। বব ওইনা ময়াইদা লেংথোবকলে। লুথোং ফান্দা ফমলে।

শিবগী ফজবা শকফম

ফজৈদা শিব লেমজৈদা শকফম
জটাগী ভারন্না লৈতেংলিবা।

শমজোই শমলাংনা ব্রাই ব্রাই লেংপাক্তা
বাসুকী লীলনা লিক্কুম খাওনবা।

থম্বালনা তাংজ মিৎম্না অহুম্না,
মোমোন মোমোননোক থৌজালগী মিৎযেং।
লেমজবা ফজবা শাবান ব্রাত্তেদা, (ব্রাত্তেদা)
যেংউ যেংউবদা মিৎফম হোংনিংদে।
কৈউল থোনবদা পকচবা ফিজেৎ
অশংবা খ্বাংজেৎনা চেংল খ্বাংদা।
শংবান্না ঙক্তা শুগ্রিক পবেং থোনবা,
কামদেবনা শুমহৎপা মাইথোংনি।

লুহোংফান্দা ফমলি বব ওইদুনা
থৌগঞ্জবি বব শেন্ন ভক্তনা।
জগৎ মাতা পাবর্বতী দেবীনা
হুকচবি লৈ পবেং শিবগী ঙক্তা।

পাবিজাৎ খুবাম খুবাম চাইজবি,
শিব দুর্গাগী কোক্তা চবনদা।
ইমা লক্ষ্মীনা ভাগুব ওইদুনা
দক্ষিনা চাওং চাওনা কচ্চানি।

ব্যাখা :

ব্রহ্মা বিষ্ণু ইন্দ্রনচিংবা লাইযাম্মা শিব দুর্গাবু কৈলাস ধামদা পু, শেন ফিবান পাযদুনা থিনখি। মহাদেব অমসুং দুর্গাদো শন্দম্বা খোংনেৎনা হবাও

তয়াম্না পুক্লিং নুংঙাইনা লেংবিরি। কনানা চামোর থৌগল্লি, কনানা ছত্র পাযরি কনানা জগোই শাদুনা শাদুনা চৎলি। নারদ ঋষিনা বীনা যন্ত্র প.যদুনা খোংলি নারায়নগী নাম তত্তনা শোল্লি। মনি রত্নতনা থাম্লবা মতম ৈলবা খিবিক্তা ঙান্দুনতা লৈবা কৈলাস য়ৌবকলে। সৌতিনা হায চাং মফম লৈতে থাবনা ৱাৎলবা, ঋতু পুম্নমক্না থৌগনবা কৈলাস ভুবন্নি। মন্দ কনি গঙ্গানা কোইনা চেল্লিবা, হৈপাল লৈপাল পবেং পবেং হৌবিবা। হনৌ বোবোই কযা কযানি, উনা পুংবদা কোকিলন তোংদুনা কুং কুহুঁ খোংলিবা।

বিশ্বকর্ম্মনা শেম্বা মনি মুক্তানা হত্তুনা শেম্বা ফমুং কাং থোান্ন য় জববা মনি মন্দিব মনুংদা। যেংবগী পেনবা নাইদবা অবং অবাক্না ঃ নবা। তিল্লমলিবা লাই গন্ধর্ব পুম্নমক লোইনা হন্নখরে। বব পীবমলে শিব র্গাদা পুন্সি নুংশাংনবা।

কৈলাস চীংদ শিব দুর্গা

নিংথিবা কৈলাস চীংগী চীংদোন্দা
শিব দুর্গানা লেমজনা ঙাম্থোইবি।
স্নানা শাবা সিংহাসন মথক্তা,
নুংমিৎকুম থাজগুম পুমঙাল ঙাল্লিবা ।

নন্দি ভৃঙ্গিনা চবন সেবা চংজৈ
শিব পাবর্বতী অনিগী থৌগল।
লুপাগুম ঙৌর শন্দম্বা শাদোং
কুঞ্জবি মাংদা শ্রীচরন নাক্তা।



মতিক মঙাল চাওববা হে মহেশ্বব
মবোল অহুমগী মপু বিশ্বনাথ,
মান্নবা মিৎয়েং তাবিরি পুন্বা,
পীনবি য়াইফ মঙ্গোল জগত্তা ।।০।।

অবাহণং (কৌজবা)

লেংশিনবিযু ইমা হে জগৎ জননী
ননাইনা থাজবা মাগী ফিদাদা। (আসন্দা)
খুকুমজৈ তোল্লবা ননাই নচানা,
শ্রীচবন থম্বালদা কোটিবব তঃ [illegible]।

[illegible] শাস্ত্র [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] তুইবা

[illegible]
[illegible]
[illegible] হৌদা,
[illegible] মঙ্গল ওইজবা বব [illegible] ইমা ॥[illegible]।

লা [illegible] থেংজাব,
ইমাগী মাইথোং থম্বাল
তোল্লবা ননাই
শ্রীহুইদ্রোম ভবত (ভূবন) সিংহ
চীংডামথক

চাওবাকপা পুজাগী পোৎলম :- গন্ধ, পুষ্প, ধুপ দীপ, নৈবেদ্য হৈখাগোক মনা মহৈ, লৈহাও, কুন্দো, বকুল থম্বালনচিংবা লৈশিংসু পুজাদা অথোইবনি। বক্ত চন্দন, বক্তা পুষ্প, বিল্বপত্র অসিনচিংবা। দুর্গা

পুজাদা শরিক য়াওগনি, শঙ্খদা হাপ্লবা ঈশিং চন্দন, তিংথৌ, লৈ, শঙ্গোম অফম্বা, অনৌবা, কুশ, তুলসী, চেং থোইদিং তিল্লববু অর্ঘ্য কৌই। শঙ্খনা আরতি কৎকদবনি। তিংথৌ অঙৌবনা দেবী পুজাদা য়াদে। ইবেম্মনা পাম্বদি থম্বালনা অথোইবনি। শ্রীরামচন্দ্র প্রভূনা রাবন বধ তৌনবা দুর্গা দেবীদা থম্বাল লিশিং অমা কৎখিবনি।

র্দুগা পূজা

কচ্চরি পূজা ইমাগী চবন্দা,
প্রেমনা চন্দন ওইনা চংজরি নচানা।
জগৎকী মমা ওইবী হে ইমা র্দুগা,
খিকপিয়ু নচাদা থৌজালগী অমৃত ।

লৌবিয়ু গন্ধ পুষ্প ধুপ দীপনচিংবা,
অথুম অহাও মচন চাদে লৎর্নবিনু।
ভজণ সাধন মন্ত্র যন্ত্র হৈজদে
চন্নবা থম্মোই অসিতা লৌবিয়ু।

ব্রহ্মা বিষ্ণু শিবমক্না খঙ্ঙমদ্রব
ইমা নংগী অঙকপনা তিনবা শক্তিনি।
ফত্তবা মাঙ্হনবা জগৎপু কনবিবা,
নংতগী চাওরবা থৌদাংনি হে ইমা।

শকচরি ইমা নংগী নগুণতবু
ফত্তবা হিংচাবশিংবু মাঙ্হনখিবা।
হরিগী সৃষ্টিদা য়াওরিবা লাইশিংবু
কনবিখিবগী ব্বারীতনা থল্লবা ॥

মহিষাসুরগা ইন্দ্রগা লান থেংনবা

সৌতিনা হাযখি তাবিযু ব্রহ্ম সভা পুন্নমক কশ্যপ প্রজাপতিগী নুপীদি ওখোক্লা যামখবে। অদিতি অমসুং দিতি, দনু কন্যা অসিনচিংবনি।

অদিতিনা ইন্দ্রনচিংবা অমসুং মমিং পল্লবা ভগবান বামন দেব (উপেন্দ্র) পোকখি। অদুগা দিতিনা হিংচাবা শাগৈ শন্দোকখি। মমিং পল্লবদা হিরৈন্য কশিপু হিরৈনক্ষ্য, প্রহলাদ, বিবোচোন্নচিংবা শুথাংশিংনি। দানব হিংচাবগী লমচৎ চৎপনা কন্যা দনুনা পোকপনি মহিষাসুবনচিংবা অসি দনুগী শন্তান ওাক্কনি।

ইন্দ্রদেবগী গুরুদি বৃহস্পতীনি অদুগা হিংচাবগী গুরুনা শুক্রচার্য্যনি। হিংচাবশিংনা ইন্দ্রগী লমগী বৈভবশিং অসি ফংনিংবনা মতম খুদিংমক্তা লান থেংনদুনতা লৈবনি। সত্য যুগ কযা কযানি। সত্য যুগ অমদা দানব মহিষাসুবনা মাগী অচৌব তেঙ্গোল পুদুনা ইন্দ্রগা অকনবা লান শোক্লখি। হিংচাবা তেঙ্গোলদা যা ওবিবা লাকওম ফাওমদ্রবশিং অদুদি যোদ্ধা, চিক্ষুব, চামব, মহাহন, বিডালক্ষ, চণ্ড মুণ্ড, শুম্ভ নিশুম্ভ, নচিংবা কল্লবা হিংচাবা ওাক্কনি।

ইন্দ্রদেবগা মহিষাসুবগা,
থেংনবা লাল অওকপা মশকনি।
তেনতনা অতিযা পুমম মমখি,
মৈতনা মফম খুদিং চাকখি।

লাইগী তেঙ্গোল হিংচাবগী তেঙ্গোল
অনি ওনশিন্নদুনা শোক্লখি।
অওকপনি ইন্দ্রগী বজ্রনা
মহিষসুববু হাংপা ওমখিদে।

লানগী খোল্লাওনা মাইকে পুম্বা নিনখি,
সমুদ্র ইথক হৌখি স্বার কাখি।
ইরোই ওন্দুনা নোংশা ওন্দুনা,
লাইগী তেঙ্গোল তান্ন তান্ন তকখাইখি।

হিংচাবগী মায়া লান্দা খাঙঙমদে
চেল্লে মৈ, বরুন, নুংশিৎ নিংথৌ পুম্বা (চেল্লে)
খুৎলাইনা পাল্লে লাইশিং শোম্বরে
উমং ৱামং লৈকুদা লৈরাইদা লোৎখরে॥০॥

মহিষাসুবনা লান ঙমদুনা ইন্দ্রগী লৈবাক অমরাবতিপুর খুদুম চনশিন্দুনা মহিষাসুরনা ইন্দ্র খুভম ফংখি। লাইশিংদো উপাই লৈত্রদুনা কোইচেন চেন্দুনা লোক্কুনা লৈখি।

চণ্ডী দেবী

ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর, ইন্দ্রনচিংবা লাইয়াম যম, বরুণ কুবেব, মৈ কৌবা লাই, নুংশিৎ নিংথৌ লাই কোটি কুম্বাহুমদোই অমত্তা চিথদনা পুল্লপ পুল্লবে। পুম্নমক লোইনা শাওরে মহিষাসুরগী ফত্রবা লমচত্তা। লাইয়ামগী অশাওবা মৈনা পুল্লপ তিন্দুনা নোংদোন্ ফংনা চাকখৎলকলে। মৈবুলদুদগী ফজরবী কন্যা মচুনা নিংথিবী দুর্গানা চোংথোরকখি। ইবেম্মগী লুহুপ্না নোংমদোন খেৎনা ৱাংখরে। অশাওবনা ইবেম্মদো খেক্লা ঙাংলকখি হায়দুনা চণ্ডী দেবী থোনখি পাম্বোম লিশিং পাল্লি। অকিবা, ফজবনা য়ান্নববা শকফমনি। লাইশিংনা মাগী মাগী খুৎলাই লোইনা পিশিন্দুনা ইবেম্মনা থোল্লে পায়রে। বিষ্ণুগী চক্র ব্রহ্মাগী কমণ্ডলু শিবগী ত্রিশূল, লাইশিংগী গদা মুশল, শক্তি, বজ্র, অঙ্কুশ, পাশ, ভূষণ্ডী, দণ্ড, তোমার নারায়নাস্ত্র বহ্মাস্ত্র অসিনচিংবা। থা কোটি ঙমজবা মাইথোং মিৎস্না অহুম

পানবী, মুর শমলাংনা লেংপাক্তা নিংদু য়ৌনা তারিবী, ঙাংলৈনবা ফিজেৎ থোল্লিবী ইবেম্মনা খুকউ লৈতানা খুরুমজে ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বরবু অদুগা হঙ্গৎচৈ- পীনবিরো ইথৌদাং। শ্রীবিষ্ণুনা তাকপিরকই - মহিষাসুর কৌবা হিংচাবা অমসুং মাগী তেঙ্গোল মাঙহল্লু লাইয়াম্বু কনবিনবা। ইবেম্মনা নোংশা লাললাও লাওরকলে - হে মহিষাসুর লাকও লাল থেংনবসি। অসুম হায়না দুর্গাগী (চণ্ডীগী) হকচাংদগী গন কৌবা লনমী পুথোকলে, পান্বোম ১০ পানবা, ৮ পানবা ৪ পানবা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মশিং লাকওমদ্রবা লালমীশিংনি মহিষাসুরনা লালবাও তাবদা অচৌবা হিংচাবা তেঙ্গোল পুদুনা, লাক্কুনা অকনবা লাল থেংনখি চণ্ডী (দুর্গা) দেবীগা। নুংশিৎ নাকোই শিৎলি। অঙকপা, অকিবা ফংবা লালনি। (লিখিতং পণ্ডিতবাজ অতোম্বাপু শর্ম)

দুর্গা মহিষাসুরগী লাল

দুর্গাগা মহিষা সুবগা থেংনবা লাল,
অকিবৈ মশকনি সমুদ্র জ্বার কাই জ্বাব কাই।
পৃথি থক থক নিকই দুর্গাগী অরূম্বনা,
নোংশা লাললাওতনা মাইকৈ পুম্বা নিল্লি।

মৈতনা চাকলি হিংচাবগী তেঙ্গোল,
খাওবদা ব্বারেদো দানব ময়াই চমলে।
নোংশা তোংদুনা দুর্গানা থিল্লি, হাৎলি
ককলি হিংচাবশিং (শামুনা) লফুবন নৈবগুম্।

ইরোই লাবা ওন্দুনা মহিষাসুরনা,
কন্না য়াঙনা চেনশিল্লি দুর্গা মা তম্না।

ইবেন্মগী থাংনা ইরোই মঙক ককপদা,
চোংথোরকলে মহি ষাসুর থাংপাক পায়দুনা।

দুর্গাগী তানা থিল্লি মহিষাসুরবু
অমুকসু নেৎখাইরে অরূম্বা শক্তিনা।
নোংশানা চিকখাইরে মহীষাগী পাম্বোম
উপাই লৈতবে অসুর শিদুনা তারে।
হিংচাবগী তেঙ্গোল কায়দুনা চেনখরে
অয়াম্বদি দুর্গানা লানদা হাৎখরে ।।৩।।

ব্যাখা

হাংচাবগী লাল লোইবা নাইদে। মহিষাসুব হাৎখ্রবগী তুংদা চণ্ড মুণ্ড অমসুং বক্তবীজনা অকনবা লাঞ্জংলক্লে অচৌবা তেঙ্গোল পূদুনা। দুর্গা দেবীনা শাওমনখিবনা মশাদু থক থক নিকলে। ইকাইবা খঙদ্রবা হিংচাবশিং অসি লোইশিল্লগে খন্দুনা ইবেন্মগী হকচাংদগী মশিং লাকওমদনা গন কৌবা লনমী পুথোক্তুনা লানগীদমক শেম শারে। ইবেন্মগী চীংদুম্মুক চাওবা নোংশা তোংখৎখবে। চক্রগদা, ত্রিশূল, বজ্র ব্রহ্মাস্ত্রনচিংবা খুৎলাই লোইনা থোনখ্রে।

দুর্গা চণ্ডমুণ্ডগী লাল

দুর্গা দেবীগা চণ্ডমুণ্ডগা
অকনবা লীরুংগী লাল থেংনখি।
তেঙ্গোল অনিমক ওনশিন্নদুনা
থাংগা থাংগা তাগা তাগা য়ান্নে থিন্নে।



কালি মাতা



দুর্গা

দুর্গানা কাপ্পা তেন্না নোংমদোন
অতিযা পুমমম মমখি নোংহৌগুম।
চন্দনা খুকাপ যাংনা কাপ্পুনা
তেনযামদো লোইনা [illegible] থাদৈ।
ইং[illegible]মনা লোইশিন[illegible] খন্দনা,
[illegible]ক্ষাঙ্গে কাপলে চন্দ [illegible] ককলে
দুর্গা[illegible] [illegible] তাপ তা [illegible]মদনা
[illegible] [illegible] ইথা [illegible] মদা।

[illegible] মতৌ লা[illegible] [illegible] নি বজ্রব [illegible]
[illegible] অমব [illegible] [illegible]।
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] বিগা) পা[illegible] [illegible]

নোংমোন পক্লা রাংবী অকি শক্তম
যা কাপোকলি লৈথক লৈখা থোন্না।
রক্তবীজশিং চিংশিন্দুনা যানুংদা,
মণ্ডক ককাল ঈ থকলি কালিমান।

শক্তি পুন্না শিজিন্নে দুর্গানা,
হাৎলে তাকতক্লা হিংচাবা তেঙ্গোল।
লেমহৌবা হিংচাবশিং চেনখবে
লাইয়াম পুন্না অকিবা কোকখেবে।

ব্যাখা :

হিংচাবগী লাল লোইবা নাইদে। মথংদা শুম্ভ নিশুম্ভ অনি লাঞ্জংলকই হিংচা তেঙ্গোল পুদুনা। ইবেম্মসু লালগী শাজল শেমলে লাইগী তেঙ্গোলগা লোইননা। তেঙ্গোল অনি মাইগা মাইগা ওনশিন্নদুনা অকনবা লাল শোক্ল খি। হিংচাবগী অরোইবা লানফমনি। লানমি মশিং হন্থরে তাকলে।

দুর্গা শুম্ভগী লাল

দুর্গা শুম্ভগা লানথেংনখি,
কাপ্পগা থোংবগা লীরুংগী লাল।
অককপা তেনতনা নোংগুম চুথৈ
ব্রাহ্মাস্ত্র কাপ্পুনা শুম্ভ হাৎখি।

পার্বতিগা নিশুম্ভগা থেংনৈ
নায়গী লান্না [illegible]কপা ফংখি।
কযাম কুইনা খাঙগানি নিশুম্ভ
ইবেম্মনা হাৎখি নেংখাইদুনা।

নোংশা লাল লাও লাওই পাবর্বতীনা
হে শুম্ভ নিশুম্ভ করি থোক্লে।
করেম কথাইনবগী ফল ফংলে
দুর্গা ঐনা নখোইবু লানবিরে ।।০।।

ইন্দ্র দেবনা জয় ধবনী লাওখি,
ইমা দুর্গানা জয় ওইরে জয় ওইরে।
অসুম্না ইন্দ্র খুভম ফংজখি
সৃষ্টিগী থবক য়েংশিনবা ঙমখি (ইন্দ্রনা) ।।০।।

দুর্গাগী প্রার্থনা

খুরুমজরি হে ইমা পাবর্বতী
শক্তি লৈবী, শকহেনবী ফজবী।
পীনৌনে মঙ্গোল হিরম খুদিংদা,
নিংজবা নংবু হেক্তা চানবিবনি।

নোংশা শাদোংবী লানগী মবেম্মা,
পাম্বোম তরানা লৈতেংবী ইমা।
লাইয়াম পুম্বগী অকিবা মাঙহনবী
মহিষাশুর হিংচাবা হাত্তুনা।

শুম্ভ নিশুম্ভ দৈত্য রক্তবীজ,
মাঙহনবী ইমা দুর্গা - কালিমা।
জীব য়োকপিবা কনবিবা ইমা
পুরক্লি শান্তি ইমাগী থৌজান্না ।।০।।

প্রনাম

ওঁ সবর্বমঙ্গল মঙ্গল্যে শিবে সবর্বার্থসাধিকে
শরন্যে ত্র্যম্বকে গৌরি নারায়নি নামো হস্তুতে।।
কাত্যায়নী মহামায়ে ভবানিশ্বরী,
সংসার সাগরে মগ্নং মামুদ্ধর কৃপাময়ে,
ব্রহ্মা বিষ্ণু শিবারাধ্য প্রসীদ জগদম্বিকে
মনো অভিলষিতং দেবী বরং দেহি নমস্তুতে ।।

ঋষিরুবাচ ।।১

পুরা শুম্ভ- নিশুম্ভাভ্যামসুরাভ্যাং শচীপতেঃ
ত্রৈলোক্যং যজ্ঞ ভাগাশ্চ হৃতা মদবলাশ্রয়াৎ ।।২
তাবেব সূর্য্যতাং তদ্বদধিকারং তথৈন্দবম্।
কৌবেরমথ যাম্যঞ্চ চক্রাতে বরুণস্য চ।৩
তাবেব পবনর্দ্ধিঞ্চ, চক্রতুর্বহ্নি কর্ম্ম চ।
ততো দেবা বিনির্ধূতা ভ্রষ্টবাজ্যাঃ পরাজিতা ঃ।৪
হৃতাধিকারা স্ত্রিদশাস্তাভ্যাং সর্ব্বে নিরাকৃতাঃ
মহাসুরাভ্যাং তাং দেবীং সংস্মরন্ত্য পরাজিতাম্ ।।৫

দেবা উচুঃ

নমো দেব্যৈ মহাদেব্যৈ শিবায়ৈ সততং নমঃ।
নমঃ প্রকৃত্যৈ ভদ্রায়ৈ নিয়তাঃ প্রনতাঃ স্মতাম্।।
রৌদ্রায়ৈ নমো নিত্যায়ৈ গৌর্য্যৈ ধাত্র্যৈ নমো নমঃ।
জ্যোৎস্নায়ৈ চেন্দুরূপিন্যৈ সুখায়ৈ সততং নমঃ।
কল্যান্যৈ প্রনতা বৃদ্ধ্যৈ সিদ্ধ্যৈ কুর্ম্মৌ (কুর্ম্ম্যৈ) নমো নমঃ
নৈঋত্যৈ ভূভৃতাং লক্ষ্ম্যৈ সর্ব্বান্যৈ তে নমো নমঃ।
দুর্গায়ৈ দুর্গপারায়ৈ সারায়ৈ সর্ব্বকারিণ্যৈ।
খ্যাত্যৈ তথৈবকৃষ্ণায়ৈ ধুম্রায়ৈ সততং নমঃ।
অতিসৌম্যাতিরৌদ্রায়ৈ নমাস্তস্যৈ নমো নমঃ।
নমো জগৎ প্রতিষ্ঠায়ৈ দেব্যৈ কৃত্যৈ নমো নমঃ।

উত্তর চরিত্র আরম্ভ

১। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু বিষ্ণুমায়েতি সব্দিতা।
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

২। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু চেতনেত্যভিধীয়তে।
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

৩। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু বুদ্ধিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

৪। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু নিদ্রারূপেন সংস্থিতা।
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

৫। যা দেবী সববভূতেষু ক্ষুধারূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

৬। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু ছায়ারূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

৭। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু শক্তিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

৮। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু তৃষ্ণারূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

৯। যা দেবী সববর্ভূতেষু ক্ষান্তিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

১০। যা দেবী সর্ব্বভূতেষু জাতি রূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

১১। যা দেবী সবর্বভূতেষু লজ্জারূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১২। যা দেবী সবর্বভূতেষু শান্তি রূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১৩। যা দেবী সবর্বভূতেষু শ্রদ্ধারূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১৪। যা দেবী সবর্বভূতেষু কান্তিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১৫। যা দেবী সবর্বভূতেষু লক্ষ্মীরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১৬। যা দেবী সববভূতেষু বৃত্তিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১৭। যা দেবী সবর্বভূতেষু স্মৃতিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১৮। যা দেবী সবর্বভূতেষু দয়ারূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

১৯। যা দেবী সবর্বভূতেষু তুষ্টিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

২০। যা দেবী সবর্বভূতেষু মাতৃরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

২১। যা দেবী সবর্বভূতেবু ভ্রান্তিরূপেন সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

২২। ইন্দ্রিয়ানমধিষ্ঠাত্রী ভূতানাঞ্চাখিলেষু যা।
ভূতেষু সততং তস্যৈ ব্যাপ্তিদেব্যৈ নমো নম:।

২৩। চিতিরূপেন যা কৃৎস্নমেতদ ব্যাপ্য স্থিতা জগৎ
নমস্তস্যৈ সমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নম:।

২৪। স্তুতা সুবৈ : পূবর্বমভীষ্টসংশ্রয়াৎ
তথা সুরেন্দ্রেন দিনেষু সেবিতা।

২৫। করোতু সা ন: শুভ হেতুরীশ্বরী
শুভানি ভদ্রান্যভিহন্তু চাপদ: ।।

২৬। যা সাম্প্রতং চোদ্ধতদৈত্যতাপিতৈ
বস্মা ভিরীশাচ সুবৈর্নমস্যতে।

২৭। যা চ স্মৃতা তৎক্ষণমেব হন্তিন :
সবর্বাপদো ভক্তিবিনম্রমূর্ত্তিভি: ।।

প্রার্থনা (১)

যা দেবী সবর্বভূতেসু হায়বগী অর্থমক্কা মান্নবা নৎচদে।

১। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূন্থগী
মনুংদা বিষ্ণু মায়ানি হায়নৈদো।
খুরুমজৈ নংবু হন্না হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চবন থম্বালতবু।

২। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূন্থগী
মনুংদা জ্ঞানগী মশক ওইনা লৈরি।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ অঙাংবা চবন থম্বালদা।

৩। হে ইমা নংসে থব্রাই পানবা পূম্বগী
মনুংদা বুদ্ধিগী মশক ওইনা লৈরি।
খুরুমজে নংবু হন্না খুরুমজে
খুরুমজে অঙাংবা চরন থম্বালদা।

৪। হে ইমা নংসে থব্রাই পানবা পূম্বগী
তুমনিংবা হায়বদো ওইহন্দুনা তুমহল্লি।
জীববু নতম্বাক্তা য়াতাহল্লিবা,
খুরুমজে নংবু হন্না খুরুমজে
খুরুমজে অঙাংবা চরন থম্বালদা।

৫। হে ইমা নংসে থব্রাই পানবা পূম্বগী
অবাম খৌরাংবা ফাওহল্লিবনি।
খুরুমজে নংবু হন্না খুরুমজে
খুরুমজে অঙাংবা চরন থম্বালদা।

৬। হে ইমা নংসে থব্রাই পানবা পূম্বগী
মমিনা তুংইনবগুম ঙাক শেনবীরি।
খুরুমজে নংবু হন্না খুকমজে
খুরুমজে অঙাংবা চরন থম্বালদা।

৭। হে ইমা নংসে থব্রাই পানবা পূম্বগী
মনুংদা পাঙ্গল শক্তি ওইনা লৈবিরি।
খুরুমজে নংবু হন্না খুকমজে
খুরুমজে তঙাংবা চরন থম্বালদা।

৮। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
ইখৌ লাংবদা অমৃত পীবা ইমানি।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

৯। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
অখাং কনবা ঙমগে তানবা হায়বদো নংনি।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

১০। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
জাতি পুম্নমক্কী মমানিনে ইমা
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

১১। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
মনুংদা ইকাইবা হায়বদু ওইনা লৈ।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

১২। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
মনুংদা শাক্তিগী মশক ওইনা লৈ।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

১৩। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
থাজবা হায়বা ৱাখলগী শক্তমদুনি।

খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ অঙাংবা চরন থম্বালদা।

১৪। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
মঙালগী মৈবা ওইনা লৈবিরিবা।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ অঙাংবা চবন থম্বালদা।

১৫। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
লল থুম পীবা লক্ষ্মী হাযবদুনি ইমা।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ অঙাংবা চবন থম্বালদা।

১৬। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
লমচৎ শাজৎ ফজবা শক্তম ওইনা লৈ।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ অঙাংবা চবন থম্বালদা।

১৭। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
নিংশিংবা হাযবগী মশক ওইনা লৈবি।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ অঙাংবা চবন থম্বালদা।

১৮। হে ইমা নংসে থবাই পানবা পূম্বগী
চানবীহৈব থৌজালগী মশকনি ইমা।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ অঙাংবা চরন থম্বালদা।

১৯। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
অপেনবা হায়বা শক্তমদুগী ইমানি।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা রেন থম্বালদা।

২০। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
মমাগী শক্তম লৌদুনা নাওকোনবিরি।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

২১। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
অঙকপা হায়বা শক্তমদো ওইনা লৈরি।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

২২। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
ইন্দ্রি পুম্নমক্কী মবেম্মা ওইনা লৈ।
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

২৩। হে ইমা নংসে থৱাই পানবা পূম্বগী
চিন্তাগী শক্তম ওইনা লৈরিবা নংনি।
জগৎ শিন্থুংনা মফম খুদিং লৈরিবা,
খুরুমজৈ নংবু হন্না খুরুমজৈ
খুরুমজৈ তঙাংবা চরন থম্বালদা।

২৪। হে ইমা নহাকপু লাই পুম্নমক্না
নুমিৎ খুদিংগী সেবা তৌজে লেপ্তুবমখে।
খুকুমজৈ নংবু হন্না খুকুমজৈ
খুকুমজৈ তঙাংবা চবন থম্বালদা।

২৫। হে ইমা নংদি মঙ্গলগী মশক্তুনি,
জগৎ ব্রহ্মাণ্ডগী মমানি মবেম্মনি।
অন্নাবা কোকপিয়ু যাইফবা পীনবিয়ু
খুকুমজৈ নংবু হন্না হন্না খুকুমজৈ ।

২৬। ইমা নংনা হৌজিক কর্নবিয়ু অন্নাবদৈ
হিংচা যাইতম্বদৈ অকিবা কোকপীয়ু।
খুকুমজৈ নংবু হন্না হন্না খুকুমজৈ
খুকুমজৈ তঙাংবা চবন থম্বালদা।

২৭। হে ইমা নংবু হেক নিংশিংজনদা
পাপ পুম্নমক কোকচৈ, পূন্য লম্বী পীনৈ।
অন্নাবা তাগদবা পুম্বা ঙাকথোকপি,
ইমা নংবু শ্রদ্ধা ভক্তি লৈবা পীনৌ।।

প্রার্থনা অনি শুবা

চংজবি চবন থম্বালদা হে ইমা,
ভগবতী দেবী চানবিয়ু চানবিয়ু।
মঙ্গল মশক ওইবী হে ভবানী শ্ববী,
শিবগী চান্নবী শকহেনবী ফজবী।। ১।

থম্বালনা তাংজবী মিৎ অহুম্না লৈতেংবী,
ম্নাগী কুচুনা নিংথিজবী মাইথোং।
থোংপদা লৈনাগুম্বী কনবদা বজ্রগুম্
মনাই ভক্তগী মখা পোনবী হে ইমা ।।২।

ব্রহ্মা বিষ্ণু শিবমক্না চংজরিবী,
রাম্না কচ্চবা থম্বাল লিশিং লৌখিবী।
পাণ্ডবনা কচ্চবা লৈহাও লৌবিদুনা,
কনবিখি মনাইবু ভারত লান্দগী ।।৩।।

পাম্বোম তরাদা খুৎলাই তরা থোল্লিবী।
নোংশা শাদোংবী লালগী মবেম্মা ইমা।
মহিষাশুর শুম্ভ নিশুম্ভ রক্তবীজ,
হাত্তুনা লাইয়ামগী অৱাবা কোকখিবী ।।৪ ।।

সরস্বতী শক্তম লৌদুনা ইমানা
পীনবী লৌশিং জ্ঞান জীব পুম্নমক্তা
লক্ষ্মী শক্তম লৌনা য়েনবিরি লল কয়া,
লৈবাক লৈমা ওইনা পীনৈ মহৈ মরোং ।।৫ ।।

জীবগী হকচাংদা ঈ তোং ওইবিদুনা
পাঙ্গল শক্তি হাপ্লিবা হে প্রকৃতিমা।
নংগী শক্তিতনা জগৎ শেম্বীরিবা,
লমন তোল্ল নচাশিংনা খুরুমজরি ।।৬ ।।

ইমাগী খোল্লাংনা চাওজ নচাশিংনা
নিজরি অপাম্বা বর পীনবিয়ুবা।
ইহৈ হৈজগে লৈবাক্কী সেবা তৌজগে,
পাঙ্গল শক্তি থৌনা হাপ্পিয়ু নিজবি ।।৭ ।।

বিষ্ণু মায়া ওইবী জাতিবু শেমলিবী,
ব্রহ্মানা হায়জদুনা জীববু শেমলিবী।
মফম খুদিংদা শিন থুংনা লৈবিবী
হে ইমা নুংবু হন্না হন্না খুকমজৈ ।।৮ ।।

নোইপেল্লবা হকচাং নতিক নঙাল লৈবী
থৌজালগী মশক ওইবী চানবিহৈবী।
পামজবা বব পীনবি মীনুংশি চাওবী,
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজৈ ।।৯ ।।

অবাম্বা খৌরাংবা কোকহনবী জীববু,
নিদ্রা দেবী শক্তম লৌনা পোথাহনবী।
শান্তি রূপ লৌদুনা ইংনা চিক্লা লৈহনবী
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজৈ ।।১০ ।।

যৈখায থিনগাইবা লৈহনবিনু নচাশিংবু
তৌকবা থবক্তা শুভ লাভ ওইহনবিয়ু।
হাপ্পিযু শক্তি নিজরি মঙ্গল ওইবা,
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজরি ।।১১ ।।

যোগ মায়া শক্তম লৌনা কৃষ্ণগী লীলাদা
বুদ্ধিগী মশক ওইনা মতেং পাংলিবী।
শাস্ত্রগী বৃত্তি ময়াম খংবী কায়দনা চৎপী,
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজৈ।। ১২ ।।

কৃষ্ণগী মমি, চছাযা শক্তম লৌদুনা
জীবগী মতুং ইংদুনা ঙাকশেল্লিবী।
অচেৎপা পুক্লিংনা প্রেম ভক্তি লৈবী
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজৈ।। ১৩ ।।

ইকাইথীবী শকলোন্নি ইংজ লেমজবী
মপুবোইবা শিব সেবা কাযজদবী।
শিব নাম থম্মোইদা চেৎনা শোঞ্জবিবী,
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজৈ।। ১৪ ।।

খক্তা নোংথাং লৈমা খাদা লৈবাক লৈমা,
অনিগী জগোইদি শুমহৎ নিংঙাইনি ইমা।
জগোইগী লিচিংনা খাক লাও বজ্র তাবিবা
পাপীশিংবু হাৎলি মপোক অমা শেম্মীরি।। ১৫ ।।

ঙাকপি কনবিবসু নংগী শক্তম ওইবা
চংজরববু চানবিবা নংগী থৌজাল।
নিজবদা অপাম্বা বব পীনবিবা,
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজৈ।। ১৬ ।।

৪


ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বরনা ননাক্তা
লেংদনা লৈদুনা নতেং পাংলিবী।
মুনি ঋষি যোগীনা শৈথা ঙমদ্রবা
হে ইমা নংবু হন্না হন্না খুরুমজে।। ১৭ ।।

(য়েংশিনবিগদবা :- শিব চণ্ডীদা য়াওরিবা ইরিবা অদুগী চপ চাবা আর্থদি নৎচদে।)

দেবী আরতি

জয় জয় আরতি জগৎ জননী,
ভবানী ভক্তগী অকিবা মাঙহনবী।।
মক্তবা স্নাগী ফিজেৎ মখল লৈতেংবী।
কোক্তা শিন্দুর ঙক্তা মুক্তা পরেং থোল্লিবী।
ব্রহ্মা ইন্দ্র লাইশিংনা দর্শন ফংজরি।
সিদ্ধ ফংল মুনিনা খুৎ লোন্নজরি।।
শঙ্খ কাংশি বেনু খোংলি তোইনা তোইনা।
চামোর হুমলি লাইগী নুপীশিং ইং তপ্না।।
বাম প্রসাদ দাসনা খুরুমজরি লাপতক্না।
মপোক খুদিংদা পীনৌনে ইমাগী চরন ।।

লেং :- শ্রীহুইদ্রোম ভরত সিংহ


MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
ACC. NO.
17456/man
IMPHAL

***

Ar Kinda 28/04/'12
Cla y
Catal y a e
Data entered by Da e



ভৈরবী ভদ্রকালি